# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-03-2026)**

## অকাশবানি ইম্ফালগী
## অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ
## (তাং ০৯-০৩-২০২৬, নিংথৌকাবা)

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম ঙসিদগী হৌরগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ অনিগী মীওই অনি ফারে। দ্রগ লল্লোনবা মীওই অহুমসু ফাগৎপা ঙমখ্রে।

**অমসুং**

৩) সংসদকী বজেট মীফমগী অনিশুবা তাঙ্কক ঙসিদগী হৌরগনি।

----

**মীফম (এল)ঃ** ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম ঙসিদগী হৌরগনি। মীফম অসি থা অসিগী ১৭ ফাওবা চত্থগনি।

মীফম অসিদা পুন্না সিট্টিং তরেৎ লৈগনি। মীফম অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ওবিচুৱরি রিফরেন্স, বিজিনেস এদভাইজরি কমিতিগী রিপোর্ট পুথোকপা, শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ ফোর গ্রান্টস, ২০২৬-২৭ কী বজেটনচিংবা সভাদা পুথোক্কনি। রাজ্যপালনা পীখিবা ভাষনসু খন্ন-নৈনগনি।

থা অসিগী ১১ দগী ১৭ ফাওবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী দিমান্স ফোর গ্রারন্টস সভাদা খন্নদুনা পাস তৌগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন কাইবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী চীং অমসুংতম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মখা তানা থি হুম্বগী থবক চথুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথুবদা দ্রগ লল্লোনবা মীওই অহুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং ফারে।

ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা মোরেগী হোতেল অমদগী দ্রগ লল্লোনবা মীওই অহুম ফাখি। মখোয়দগী কে.জি.২ রোম হেনবা দব্লিয়ু.ৱাই তেব্লেটশিং, গোল্ড পেন্দন ২, চাকা মরি পানবা গারি ১, লূপা লাক্ষ ২ রোম হেনবগী শেনফম য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস স্তেসননা কোনবা কোংপাল চিংঙাংবম লৈকাইদগী সোরেপাগী এক্তিভ কাদর অমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখি। মীওই অসিদগী চাকা অনি পানবা গারি ১ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থাঙ্গাল বজার প্রজা তন্ত্র গলিদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ(প্রিপাক)কী এক্তিভ কাদর অমসু মনিপুর পুলিসনা ফাখি।

অমরোমদা, ইম্ফালগী পাউনা বজারদগী গারি হুরানবা মীওই অমা ফাখি। মীওই অসিদগী গারি হুরানবদা শিজিন্নবা খূৎশু খূৎলাইশিংসু ফাগৎখি। ফারবা মীওই অদুগী মথক্তা মখা তানা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথনবা সিতি পুলিসকী কস্তদিদা থল্লি।

**সংসদঃ** সংসদকী বজেট মীফমগী অনিশুবা তাঙ্কক ঙসিদগী হৌরগনি। মীফম অসি এপ্রিল অনি ফাওবা চথগনি।

লোক সভানা ঙসি অধ্যক্ষ-ওম. বিরলাবু লৌথোকপগী মতাংদা পুখৎলকপা রিজোলুসন অমা পায়খৎকনি। রিজোলুসন অদু কংগ্রেসকী সদস্য অহুমনা মুভ তৌগনি। করিগুম্বা রিজোলুসন অদু লোক সভানা লৌখৎলবদি শ্রী বিরলা অধ্যক্ষগী ফম্ফমদা ফম্বগী মহুৎতা অতৈ সদস্যশিংগী মরক্তা ওইনা ফম্লগনি।

মমাং থাদা পাঙথোকখিবা বজেট মীফমগী অহানবা তাঙ্কক্তা বিরোধি সদস্যশিংনা অধ্যক্ষবু লৌথোকবগী নো কনফিদেন্স নোটিশ অমা লোক সভাগী সেক্রেটরি জেনরেলদা পীশিনখিবনি। নোটিশ অদুদা মখোয়না শ্রী বিরলাবু মীচং মীখায় নাইনা থবক তৌই হায়না মরাল শিরি। নোটিশ অদুদা কংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্টি, দি.এম.কে, লেফ দলশিং অমদি অতৈ দলশিংগী সদস্যশিং য়াওনা পুন্না এম.পি. ১১৮ না সহি তৌখি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপতি মুরমুনা হায়রি-ভারত, নুপীনা লমজিং ওইরগা চাউখৎ লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লক্লিবা লৈবাক অমা ওইরি। নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ভারত্তি নারি সে নরায়নিগী জাতি থাক্কী মীফম লোইশিনবগী থৌরমদা রাস্ত্রপতিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। লৈবাক অসিগী নুপী খুদিংমকা মশা মশাগী শক্তি হেনগৎহন্নবগীদমক হোৎনবা য়াবা পুমমক হোৎনগদবনি। স্পেস, আর্ম ফোর্সেস অমদি মশানা মশাবু থবক পীজবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা লৈবাক অসিগী নুপীশিংনা লৈবাক অসিবু চাউখৎহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। নুপীশিংবু লাইরিক লাইশু নিংথিনা হৈহন্নবা অমসুং শেল থুমগী অৱাবা লৈহন্দনবা সরকারনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি। নুপা নুপী খেৎনবগী ৱাখল্লোননা মরম ওইরগা নুপীশিংবু হন্থনা লৌবগী ৱাখল্লোন থাদোকপা মতম ওইরে হায়রদসু

রাস্ত্রপতিনা হায়-নুপীশিংনা অচুম্বা অমসুং অচেৎপা ফিরেপ লৌবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাং কয়াদা শুংশোই শোইদনা শরুক য়াগদবনি।

**ফ্লাইটঃ** নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা হয়েং অমসুং থা অসিগী ১৮ দা ইয়র ইন্দিয়ানা তোঙান তোঙানবা রুট ৯ দা অহেনবা ফ্লাইট ৭৮ পাইহন্নবা ৱারেপ লৌরে। মসি ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মীয়ামা অহেনবা ফ্লাইট লৈহন্নবা দাবী তৌরকপগী মতুং ইন্না ইয়র ইন্দিয়ানা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। ইয়র ইন্দিয়ানা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না অহেনবা ফ্লাইটশিং অসি দেল্লিদগী নিউয়োর্ক, লনদন, ফ্রেংফর্দ, পেরিস, আর্মসতরদম, জ়রিস, কলম্বো অমসুং মালেদা পাইগনি, অদুগা, মুম্বাইদগী লনদনদসু অহেনবা সর্ভিস লৈগনি। অহেনবা ফ্লাইটশিং অসিনা পুন্না পেসেঞ্জর লিশিং ১৭,৬৬০ পুথোক পুশিন তৌবা ঙম্লগনি হায়রি।

**ঈ.সিঃ** নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা মীখলগী শেম শারিবশিং য়েংশিন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী দিপ্যুতি ইলেক্সন কম্মিসনর গ্যানেশ ভারতিনা লুচিংবা ইলেক্সন কম্মিসনগী মীহুৎ কাংবু অমা কোলকতাদা থুংখ্রে। মখোয়না হেক থুংলবগা রাজ্যগী চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসরগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া কুপা খন্নখি। মীওই ৪ না শাবা ইলেক্সন কম্মিসনগী মীহুৎ কাংবু অদুনা ঙসি তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলগী মীহুৎ কাংবুগা উনদুনা ৱাফম কয়া খন্নগদৌরি। মরক অসিদা, রাজ্য অদুগী নোর্থ ত্বেন্তি ফোর পর্গনাজকী সোদিপুরদা ভারত্তিয়া জনতা পার্তিনা শিনবা বাইক রেল্লি অমা পুলিসনা থিংদুনা চৎহনখিদ্রে। পুলিসকী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা দলগী কর্মিশিং অমসুং দলবু শৌগৎপা মীওই কয়ানা য়ানিংদবগী খোঙজং চংশিল্লকখি। অদুম ওইনমক পুলিসনা ইরাং অদু লাকশিনখি। তুংদা, বি.জে.পিনা শিনদুনা সোদিপুর মৈধ্যয়ম লম্বীদা ৱাকৎ মীফম চথখি।

**ক্রিকেটঃ** আই.সি.সি মেন্স টি ত্বেন্তি ৱাৰ্ল্ড কপ ভারতনা লৌখ্রে। ঙরাং অহেমদবাদকী নরেন্দ্র মোদি স্তেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেলদা ভারতনা নিউজলেন্দবু রন ৯৬ তা থোইখি। নিউজলেন্দনা তোষ্ট ঙমদুনা ভারতপু হান্না বেটিং তৌহনখি। ভারতনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২৫৫ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা নিউজলেন্দনা ওভর ১৯ দা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন ১৫৯ দমক লৌবা ঙমখি।

ভারতকী ক্রিকেট টিমনা টি ত্বেন্তি ৱাৰ্ল্ড কপগী চেম্পিয়ন ওইরকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ভারতকী ক্রিকেট টিমবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-চেম্পিয়নশিপ অসি লৌরকপা অসিনা ভারত টিমগী হৈ শিংবা অমদি টিম ৱার্ককী ফজবা মগুন কয়া অদু উৎথোকপা ঙল্লে। ভারতনা ত্রোফি অসি লৌদুনা ভারতকী নাগরিক খুদিংমক্কী মংলান অদু মংফাউনহনবা ঙল্লে। ভারত মচাশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরবদি ঙল্লোইদবা থবক অমত্তা লৈতে হায়বদু মসিনা উৎপা ঙল্লে হায়নসু শ্রী বিরেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

১২ শুবা মণিপুর লেজিস্লেতিভ এশেমব্লিগী ৭ শুবা মীফম ঙসিদগী হৌরগনি হায়বা পাউ, নুপীশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক ষ্টেট বদজেটতা লূপা ক্রোর ৩৫০ হাপ্লে হায়বা চিফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অমসুং চিফ মিনিষ্টর অমদি অতৈ মিনিষ্টরশিংনা পায়গদবা পোর্টফোলিয়োশিং লাউথোকখিবগী য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা ফোঙনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, সনালৈবাক, মণিপুর মেল, গানফিউ মেল অমসুং তামেংলোং তাইমসতা ফোঙলি।

মণিপুরী নুপীশিংগী য়াইফনবা হন্দক্কী বদজেটতা লূপা কোতি ৩৫০ হাপ্লে, নুপী লাক্ষ ৩ মখায়দি তান্নবা ফংলগনি হায়বা সি.এমগী ৱাফম অমসুং ঙসিদগী সিত্তিং ৭ লৈগদবা এশেমল্লি সেসন হৌরগনি হায়বসিনা- পোকফম পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদসু অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। সি.এম য়াওনা মিনিষ্টরশিংনা পায়গদবশিং লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- আর.দি.এন.পি.আরনা নেমচাদা, পি.ঐচ.ঈ.দিনা দিখোদা পীরে হায়না ফোঙলি।

মণিপুর লেজিস্লেতিভ এশেমল্লি মীফম হৌবগী পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউদা ঙসিদগী সিত্তিং ৭ লৈগদবা এশেমল্লি মীফম হৌরগনি, দিপ্যুতি সি.এম য়াওনা এম.এল.এ ১০ শরুক য়াগদ্রা, য়ারোইদ্রা খঙদ্রি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দোমেস্তিক এল.পি.জি সিলিন্দর অমগী মমল লূপা ৬০ হেনগৎলে হায়বা পাউ- পোকফম অমসুং তামেংলোং তাইমসকী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

কুকি মিলিতেন্টশিংনা সনা কৈথেল খুঞ্জাশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়বা পাউ অমসু- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কেরলাদা চথরিবা হাউস বোর্দকী কলচর মণিপুরদসু শেমগৎপা য়াই হায়বসিনা- সনালৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী মতম কক্তনা থিংবগী খোঙজং হৌখ্রে হায়বা পাউ- পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

মণিপুরদগী মীওই ৬ সিভিল সার্ভিস এগজামদা মাই পাক্লে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎতা কোরকোমনা নুপী ওইবীশিংবু ইকাই খুমরক্লি হায়বা পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউ, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, পিপলস ক্রোনিকল য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

**--- পাউ লোইজরে ---**